হুঁ

# নিংথৌ কাঙপারোল পোংলোল

## পুয়া মৈহৌপা



শ্রীলাইশ্রম নিত্যাই সিংহ ঃ

হুঁ

# নিংথৌ কাঙপারোল পোংলোল

# পুয়া মৈহৌপা


শ্রীলাইশ্রম নিত্যাই সিংহ

ফোংবা :—

অইবা মসা

**শ্রীলাইশ্রম নিত্যাই সিংহ**

নাগ মপাল, শিংজবুং লৈরক, ইম্ফাল।




লাইরিক মশিং—৬০০

১৯৮০ ই

ফংফম : (1) Book-Land, Paona Bazar
(2) Unique Enterprisers
(3) অইবা মসা।

ছাপা নম্ফম :

পুষ্পা প্রিন্টিং প্রেস, কৈশামথোং, ইম্ফাল।

# ৱাহৌদোক

পুয়া অসি ঐনা চহী ১৫ রোম চংনা শিজরকপনি। উরুদা ( অগরতাল্লা ) অরিবা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা পুয়া অসি ঐথোই জাতিগী কান্নবা মরম অমা ওইবকপা য়াই থঙ্কদুনা বাঙ্গালা ময়েক্তা ইথোকচবনি। ইরম ইরম্বা অরিবা ময়েক অতৃ মান-ননবা য়ারিবা মথৈ হোৎনজবনি। অঙ্ক ময়েক অসি চান্নবা ছাপা ময়েক লৈতবনা চান্নবা নম্বব থাবগা লাইয়েক লামাই অমা হাপচরি।

সিংথারোল অঙ্ক ময়েক অসি পাথংবগী কুমসিং ১৪৬১ দা ইথোকচবা হায়না থাবা "খুমুং কোককাই" কৌবা পুয়াদা ইবা অতৃগা মাটে। মৈতৈগী পুয়া থরদি লিবে হায়না পুথোকলব্রবস্ত লামাইদদি বাঙ্গালা ময়েকনা হেক্তা মমিরম্মী। মাথাদা মমিং থরদং পলজনিন, পুযাশিং অসিদদি লামাইদা অমদি মসাদা ইবা অঙ্ক ময়েক য়াওবা পুমমক ৫। পারোল পোংলোল পুয়া মৈহৌপাদা হরিবা অসিগা মাটে। পুয়াশিং অতৃদি—

১। মৌয়াং সিঙথা নিংথৌরোল পুয়া,
২। পাখংবা সিঙকুমলোন পুয়া,
৩। খুনথোঙয়াই লাঙতাই পুয়া,
৪। লাঙতাই পুয়া,
৫। পাক্কল পুয়া মতম থোংলহ,
৬। মিতৈ নৈপাকক্কি নিংথৌরোল অসিনচিংবা।

ইথোকচবা অসিদা উরুদা হবঙ্গা 'নিংথৌ কাংপারোল সিংকক" সু হাপচিনজরে। মসি ফোটো কপিস্ত য়াওজরি। কাংপাকি মচা-মস্তগী পরিং অমা নৈবগা লোইননা ইম্ফালগী বংলাগীদা পালবগী মওং অমসু থিজিলবা য়াই।

পুয়া অসিদা থৃষ্টগী মমাংদা মণিপুরদা ওইরম্বা ইতিহাসগী মচাক থরা ফংবীগনি। মতম অসিদা পাম্লম্বা নিংথৌশিং অসি চহী যাম্না পুন্সিমল্লি হায়না থল্লবস্, মথোয়গী মরক্তা চহী ২৫ তা পুন্সিবস্ত য়াওরি। কাংপানা পোকফম অমস্ুং মতৌ করম্না তম্পাক্তা কংলা নহবা মফমদা কোন্নুং ওইরম্লিবনো হায়বা অদু অরিবা থিজিলবা মীওইশিং অমস্ুং ইতিহাস ইবশিংনা থিজিলক্কম থোকই। মতম কয়াগী মমাংদা মৈতৈ ময়েক অমস্ুং অঙ্ক ময়েক নৈনৈজ হায়বা অসিস্থ পুয়া অসিনা শরদং ওইরবস্, উৎলি।

থেংনজরিবা পুয়া অসিদা বানালগী চাংচৎ অমা ওইনা ইবমদ্রে। অরিবা ময়েক্তা ইরম্বা পুয়া অসিদা লামাই ৭ বি মথংদা লামাই ৯ পাবমলে অদুবু ব্রাহৈগী মথং তারকপদদি থোইনা অকাইবা থোক্তে। কনাগুম্বা পাবিরিব-শিংনা পুয়া অসিগী চেনা ৮ থাবা লৈ হায়না পুথোকপীরব্রবদি তোবিমল থংবা উচ্চগনি। পাবীরিবা ইবুঙো ইবেম্মসিংনা কান্নবা থরদং ফংবীত্রনা পুকনিং থৌগৎপিরক্লবদি মথংগী কোংজবদা পুয়া অসি ইংলিসতস্, হন্দোক-চগে। পুয়মক অসি ময়ামগী হুংশিবীবা মতেংতনা ঙমজগনি। ঐহাক্তি হৈজ থংজবা নঙ্গদে। ময়ামগী মকমদা হন্না হন্না খুবমজৈ।

তাং ১।১২।৮১ শ্রীনিত্যাই সিংহ

# হুঁ নিংথৌ কাঙপারোল পোংলোল পুয়া মৈহৌপা

হুঁ হয়াহে লিকলাই-ও ইপুথৌ নোংথৌরেল মপা-ও নাহাকপু থুমনা ইচরককে তাংথিপিকুনো। হয়িচককি নিংথৌ কাঙপাকি রারোল হাইকে লাইকা মিকা তাইনাপাতা পালপা নিংথৌনে। কুমসিং লথা তরানিপাল ১৮১ কুপাতা নিংথৌ ওইয়ে। নিংথৌ কাঙপা হায়পা অসি সিলনৈমা নৈহৌ নিংথৌ চন্নুনা পোকপা তাঙচ লিলা পাথঙপাকি মচানে। নিংথৌ অসি পোকপা মফমতি কৌপ্রকি কুরুঙতা পোকপানে। নৈমতি চেঙনৈপম চনু লনৈমানা পোকপি নারঙ কুচাকি মাচা লইমা তবিংতুনা কাঙথল ওইতুনা পাললি। নিংথৌ লইমা অনিমবনা পাললমপা মফমদি কাঙঙপুঙতা পাললময়ে। নিংথৌ মহাবনা পাললময়ি হাইপাকি কাঙঙপুঙ হাইনা কৌয়ে। নৈমা অসিনা নোঙপোক নৈহৌ চিংতা পোকপানে। মাহাক অসিনা পালপা হাকথক অসিতাতি চাকতি চতুম পালযে। পালপা মফমতি রাকোংথি চাকসৌপুঙ কৌয়ে। নিংথৌ কাঙপা অসিনা মফম অতুপ্পু মাহাককি লৌচা ওইতুনা নৈপাক মিয়ামপু মফম অতুতাকি লৌতুনা চাহনলি থরাইপু হীঙনাহললি। নিংথৌ কাঙপাকি লৌচানি হাইপাকি কাংচাপি লৌফম হাইনা তিলিকোকতোল কোইরেলতা ফাংথিপানা কাঙচাপি কৌথিয়ে হাইতাপারা। থুমতি থুমনমপিতা থোকয়ে। ঙাতি ঙারিয়াল চিংতা তোংনা পাললময়ে। সাতি সায়ালতা য়াললময়ে। ফিতি চিংপাথিতা পাললময়ে লসিং কৌনা। নিংথৌ অসিনা থোং অমা তৌরময়ে য়ুসৌথোং কৌয়ে মাকলঙ তুরেলপুনে। নিংথৌ অসিনা চাকহোং ঙাহোংহনতুনা নৈপাকপু য়োকথি।

নিংথৌ অসিনা নৈপাক মিয়ামপু পুকনিং চুমনাপা য়াথঙ চুমনাপাকিতামক লারিংথৌ সানামহি পাঙকনপাপু হুঙকি লাইসক মারোং সেমতুনা সাতুনা

চিংতুম অমকি মথকতা লাইসঙ সাতুনা লাৎলি। লৈপাককি অচুম অরালপা লাকলপাতা লাইম্নিংথৌ মাহাককি মামাঙতা ক্রিয়াল অমমমম য়ুঙহললকা খুতম য়েঙনৈ। ক্রিয়াল অতু হেক য়ুঙপাকা নুঙসিৎ কোবা লাইম্নিংথৌ পাঙকলপানা ক্রিয়াল অতু তুত্রিপা মখৈ শিংলে। ক্রিয়াল অতু হান্না তুপানা আরালপা মিনি খঙনৈ। অতুকিতমকপু পুঙ অতুকি মমিংপু রারোইচিং কৌয়ে। নিংথৌ মাহাকনা লৈপাক মিথাম নিংনারমপা লাইতি স্না মফিরেলপু নিংচই। মাহাক খঙপা মাসা খঙপা লাইনিং অরেপপা রাঙাঙনা চৎনরময়ে। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা তাইপঙ খুনতাপাসিংকি য়ুমনাকপু কাঙপা ঐকি হাকথক অসিতা তাপানি হাইপাকি কাঙচম কাঙঙুচম কাঙঙাসেলপম হাইনা মিংথোল পিথি হাইতাপারা। নিংথৌ অসি মচা মাপল ৯২ পোকয়ে। কোই-কোই তৈমা য়াঙমা তেসারোৎ উরেলথুপা উরেলহলপা ইরেম থাপা লঙপা মচা মাপল অসি পোকয়ে। কোইকোইনা লৈপাক আমতা লৈহৌয়ে। তৈমনা মিতৈ ওইরে য়াঙমানা নোংচুপলোমতা চৎথিতুনা মায়াঙ সনতোকখি। তেসারোৎনা সনখোং লাইচিলোমতা চৎথিতুনা তখেল সনতোকখি। উরেল থুপানা কৌপ্রু পাঙনা চৎথিতুনা পাথাল সনতোকখি। উরেল হলপানা সনখোং লাইচি পাঙনা চৎথিতুনা মোইরাঙ সনতোকখি। ইরেমনা অরাঙ পাংনা চৎথিতুনা পাসা ওইখি। থাপানা নোংপোক পাঙনা চৎথিতুনা থাকি সনতোকখি। লঙপানা থা পাঙনা চৎথিতুনা ইরাঙক সনতোকখি। অস্নমনা চৎখিপানা মরম অসিতাকি মিংথোল থোলথোক অসি থোনখিপানে।

কোইকোই কঙকোই কৌপাতি কতৌনোংকিনো—নিংথৌ অসিকা লৈমা অসিকা লম কোইতুনা চাকসোপুঙ য়েঙপা চৎলি। মতম অতুতা লৈমা তরিংহু অসি লাইচাবোলনুঙকি অঙাঙ অসি থা নিপাল স্নরে। মতম অতুতা লম য়েঙপা চৎপাতা নিংথৌ কাঙপাকি মচা অসি লমথাঙতা পোক-লে। মচা অসি পোকলপাতা লম অতুকি মমিং থোললমই। কাঙপা ঐকি ইচা পোকপা মকম অসি হয়েঙ তুঙতা খুনতারকপশিংনা থঙনাপ.কি

তমক লম্ অসিকি মমিংপু কাংপোকপি কৌরময়ে হাইতাপারা। নিংথৌকি মানাইশিংনা নিংথৌকি মচা অতুপ্ রানা পোলাও সাতুনা প্রকই হাইপাকি নিংথৌগী মচাকি মমিং থোলপা মতমতা কঙকোই পোংপা হাইনা মচাকি মমিং থোক্লে। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা তিনথুঙ লাইথুঙ লৈরমতে। প্লসি চহি স্থরপাকা তাইপঙ অসিপাসিংপু মঙনাই থানাইতে পোৎলোই হীথা তৌনারমতে মরমদি উচেককি নিংথৌ লাইওইপা অমা লৈরময়ে। উচেককি নিংথৌ অসিং মমিং অহুম স্থইয়ে। কাকলেল মিঙমপা হাইনাস্থ কৌয়ে অনাতি খিংনাই ঙমপা হাইনাস্থ কৌয়ে থিকঙথা হাইনাস্থ কৌয়ে। হাইরিপা উচেক অসি উচেককি নিংথৌনে। মাহাক অসিনা সিরপা তাই-পঙশিংপ উচেক অসিনা প্রকা হৈপোকতা তুরেল অমা লৈরময়ে। তুরেল অতুতা উচেক অসিনা প্রকা তুরেল অতুতা থাতাপাকা তাইবঙমিং অতু লাইথমলেমতা তিনলে। উচেক অসি নিংথৌ কাঙপা অসিকি মানাইনি। মরম অতুনাকি নিংথৌ কাঙপানা অসিপা থৈপিকপ্ মাহাকনা ঙমদি হাই-তুনা উচেক অসিকি মমিংপু কাকলেল মিঙমপা হাইনা কৌয়ে। অমাতি অসিপাসিং অতুপ্ মাহাকনা মঙনাই থানাইহনতে হাইপাকি খিংনাইঙমপা হাইনা কৌয়ে। থিকঙথা কৌপাতি কত্তৌনোংকিনো হাইরপাতা হৈপোক চিংতা চেলশিপা তুরেল অতু থিকঙ থাখোং কৌয়ে। অসিপা মীপু থিকঙ থাখোংতা প্রিপানি হাইপাকি থিকঙ থা কৌয়ে। মতৌ অমমনা নিংথৌ কাঙপাকি হাকথকতা চৎলকপা লমচৎতি অমমনা চৎলকই। অরানপা থৈপিক চুমথোকতুনা লৈপাকপু যোকতুনা পালমই। পাথঙপাকি ইরেল মপা-মপুকি থৌনি ইরাৎনদম সেমজমই। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা লৈপাক মমিংপু তিজনিকোকতোল লৈকোইরেল হাননা সেমপা কোলনা লোইপা লৈপাক হাঙনা কৌয়ে।

নিংথৌ কাঙপা অসিনা থুপলমতাইতা মাহাকনা লাৎনমপা মুংনা মসক মরোঙ লাবকপা লাইনিংথৌ কা মহিরেল অতুপু লঙমাইচিং মরঙতা থমখিয়ে।

নি°গৌ অসিনা পাললমপা কুমসিংতি লথা $১৮_{৩}$ তা পালপানে। মাহাককি পুলসি চহিতি চা $৪৬০_{৪}$ পালখিয়ে। নিংথৌ কাঙপা অসিনা থুপখিপা মকমতি পাথঙপা ইরেলতা থুপখিয়ে। মাহাকনা থুপথ্রবা মতুঙতা মচা ইপুঙ'ঙা কঙকোইনা নি°থৌ ফমপা মরি ফমপালচা কৌনা মপা নিংথৌকি ফম থুফম ফঙচখি ॥ * ॥

কঙকোই নিংথৌ কোইকোই মরি ফমপালচা লৈতাপুরুমলে অস্থম কৌনা পাললে। করি নো°কিনো হাইরপাতা মমিং অসিপু কাঙপানা লমকোইপাতা পোকপা নি°থৌনে। মামিংনা কোইকোই কৌপানে। কাঙপাকি ফমপালপু মচা মাহাকনা ফমচৈ হাইপাকি মরি ফমপালচা কৌয়ে। লৈতা পুরুমলে কৌপাতি ফমপাল তো°লে হাইপানে। লৈমাতি মামা লাইস্ন°না পোকপি চকপ্রম অক্সইপাকি মচা লইওই সুঙওইপীকা পালনা তুনা ফমপাল তোংলে। নিংথৌ অসিনা পালপা হাকথকতাস্থ হাননাকি লমচৎ হোংতারিয়ে। চাকহোং ঙাহোংনা চাকতি চতুম পাল ফিতি চিংপাথিকি লোলৈ লসিংনে। তাপুল ওইনা সেৎলে। লাইকা সমনানা পাললে। তিলচঙ লাইচঙ ঙাকতুনা তিললম লাইরম থিতুনা লৈপাকপু য়োকতুনা হরাউ মথোই কানা য়াইফ লৈপুন তমতুনা লাইনিং থুতা নিপাল থিতুনা সবি মিংথৈ সোলতুনা লাইনিংয়ে হাইতাপারা। নিংথৌ অসিকি হাকতকতা চকপরোল য়ুম তারে। কোইপাকি হাকথকতা য়ুম তাবা য়ুমনাকপু কৈকোইপম কোইরাকপম কোইচম কোইরেকপম। কোইপা নিংথৌ অসিনা লাঙপন থানিল তাবানি পানপাতা মচা অমা পোকয়ে। মামিংনা পোং কৌয়ে। মাহাক অসিনা চহি তারা মঙঙা স্থপাতা অরারোমতা চৎখিতুনা অরা পোং সলথোকখিয়ে। মাকি মানাউ অমা পোকই। মানাউ অসি পোকপাতা থা স্থতানা পোকই থা নিপালতা পোকয়ে। মাপা নিংথৌ অসিনা হীয়াংকৈ হুমনি পালপা ইরাই তোলোক হুমিংতা থা নিপালতা পোকপানি হাইতুনা মাচাকি মমিংপু ককস্ত তোলোকপা কৌয়ে। মচা অনি অসিতঙ পোকলমলকা নিংথৌ নোংকাথে। মাহাককি পুনসি চহীতি থা চহুমতা পাললময়ে হাইতপারা ॥ * ॥ * ॥

মতুঙতা মচা ইপুঙড়ো ককস্থ তোলোকপানা মপাকি থুকম কঙচখি। নিংথৌ ককস্থ তোলোকপা অসিনা চহি বুলতরুক স্থপাতা চেঙলৈপম নোং-তমতোলকি মচা মামা তরঙথোইনুস্থনা পোকপি লৈম উরুম থাউচোলপি পালনাতুনা কমপাল তোংই। নিংথৌ ককস্থ তোলোকপা অসিনা লৈপাকতা থাপা মহৈ মরোং চানাপাকিতমক লৈপাক অসি কোইনা চৎতুনা লম য়েংয়ে। মাহাককি হাকথকতা তাইপঙ মি য়ামখৎলকপানা মহৈ মরোং চানাপা লৌচা মকম অনি সেমলমই মনাই মসনসিংনা। মাতুতা থোকপা পোংনা অৱাৎপা লৈতনা য়াইবুমনা তাইপঙসিংপু অৱাৎপা লৈহলতে হাইপাকি নিংথৌকি লৌচানি হাইপাকি মামিংপু ককয়াই কৌয়ে অমতি ককমুয়াই কৌয়ে হাইতাপারা।

নিংথৌ অসি করৌ মুমিৎ অমাতা লাঙবোল চিংতা লাইকম লৈরিপা থৈপিকপু থিপা লাকপাতা লম কললময়ে হাইপাকি মকমতুপু মামিঙলেল নাপোম কাঙপা নুংসলতাপা মরমথৈ হাইনা মিংথোললময়ে হাইতাপারা। নিংথৌ অসিকি হাকতকতাস্থ হালনাকি লমচৎ হোংতারি লৈপাক নিংথৌ নিংনাপা লাইনিং লাইসোলপু সবিস কৌবা মা মহিরেলপু নিংই।

নোংথৌ মুঙসিং ইসিং মৈ লৈপাক মঙগাকি হৌফম মুমিৎ সচিক থাপা থৌরালমিচাক অপুমপাকি ৱারম ঙাঙনা তানা চিংথই অথুপপাকি ৱারম ঙাঙনাতুনা লৈপাকপু চাকহোং ঙাহোংনা পাললপাতা মচা ইপুঙড়ো অমা পোকলে। কাললকি তবাতবেংনি পাৎপা লৈপাকপোকপা মুমিংতা পোকয়ে। মামিংনা তোলবোলপা কৌযে।

মচা অসি পোকপা রুম অসিতা নিংথৌ অসিনা পাংলৌ অমা তৌই মনাই মসনসিংনা পাংলৌ অসি লাইরেমপী পালথোইপীকি পাংলৌনে। পাংলৌ অসি তৌপাতা য়ামনা ৱানা তৌই হাইতুনা নিংথৌ মমিং লৌতুনা মিংথোলখি। ককৱা হাইনা থোললে হাইতাপারা। নিংথৌ ককস্থ তো-লোকপানা লাইরেমপী পালথোইপীতা কংলময়ে। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা

তাইপং য়ুম তাপাসিংকি য়ুমনাকপু ককব্রামথেম কোংপম কোলেম কোল-থৌচম অস্তম হাইনা থোলখি। নিংথৌ অসি চহি চহুম বুন পাললি। কৌপ্রুতা সা তালপাতা কৌপ্রুকি থেউকাঙতা নোংকাখি। মপা ইপুঙডো লৈত্রপাতা মচা ইপুঙডো তোংকোলপানা মপাকি থুকম ফঙচখি ॥*॥*॥

মচা ইপুঙডো তোংকোলপা অসি চকপা থেবেলোংপম কব্রৌ খমলাঙ ফাপাকি মচা মামা লৈমতুনা পোকপি তরঙ নুপি পালনাতুনা নিংথৌ ওই। লমতাকি বুলহুমতোইনি পালপা নিলমাঙ নিংথৌকাপা নুমিৎতা ফমপাল তোংয়ে। তোংকোলপাকি মপোক মুমিৎতি লাঙপলপাকি বুলতরেৎনি পালপা নিলতুঙ ঘুমসকৈস নুমিৎতা পোকয়ে। নিংথৌ অসিকি হাকশকতা মঙনাই থানাইরে। লৈপাক অসিকি মমিংপু তিললিকোকতোল লৈকোইরেল কৌ-রমপাতাকি মিরা পোঙথোক লৈপাক হায়না কৌরে।

নিংথৌ অসিনা চেঙকৌ হাইপা মশক অসি থিবকপাতা লাইনা থাবমপা মোরসি লাইফৌ হাইপা অসি ফঙতুনা তাইপঙসিংনা চাপাতা থৌরাই হিঙপা য়াপা তারে হাইনা থিচিলতুনা অসি থঙপাতাকি চেঙ পাললে হাইনা লৈপাক মিয়ামনা হরাওনরে। লৈপাক মিয়ামপু অস্তমনা য়োকই। হাইরিপা ফৌ অসিনা ফঙপা মকম অসি অকামপাং কৌয়ে। অকামপাং কৌপাতি কনি নোংকিনো হাইপাতা লৈনঙতাকি ইফুং অনি কামথোকলকই। মাতুতা কব্রৌ নোংমাতি লাইম্লিংথৌ পাখঙপানা লাইরুপ তঙখাই তানা ফৌ অতু-কিতমক সলপোংনা কলনা কলতানা খংনবাপাতা পাখঙপানা ইফুং থোকপা অতুতাকি কামনা কামনা থোরকলপাতা লাই থিপিক কাইতুনা চেললে হাইপাকি অকাম লৌপুক হাইনা কৌয়ে।

লাইম্লিংথৌনা লৈপুঙ অমতা মোল থাঙতুনা তুমলমই হাই হাইপাকি মোলথাঙলম কৌয়ে। অতুতাকি লাইম্লিংথৌনা থর চংথোকলকা মসা অতুপু পংতুনা পুমতুনা মাঙখি হাইপাকি মকম অতুপু লাইপং কৌয়ে। হাইরিপা লৌকম অসিতাকি লাইনা থারমপা মোরসি লাইফৌ অসি তাইপঙমিনা চানাপা

হৌরে হাইরিপা কৌ অসি মানাকতা থুপাক থুপাতা মুৱাই লাউনা কেলপা কৌনে। অম্মনা পাললকলপাতা মেরা থাকি তরেৎনি পালপা সকোলসেল মুমিৎতা মচা ইপেমমা থাপি লৈনাউপি পোকয়ে। মতুঙতা মচা ইপুঙডো পিতিংকোই পোকলে মেরা থাকি তমনি পালপা মুমসকৈম মুমিৎতা। নিংথৌ অসিকি হাকতকতা নৌনা চাউথোকললকপা মুমনাক তোংপ্রম তোংথামনে। নিংথৌ অসি চহি চনিতারা পাললময়ে। থৌৱাল থাতা নোংকাথি ॥*॥*॥

পিতিঙকোইনা মাপাকি থুকম কংচখি। তুইরোইপম অমাঙপানা পোকপা মামা মাইমুঙ তমমোইপিনা পোকপী অতে মুপিকা পালনাতুনা কমপাল তোংই। পিতিঙকোই হাইপা নিংথৌ অসি মাহাকনা মিরোল তারকপাতাকি হৌনা লাই নিংপাকি মরিতা লাইকম অপুমপা কোইনা থিচিললি। করৌ নোংমাতি চিংঙু নোংপোক নিংথৌকি থুফম থুমপা চৎলি। মাতুতা চিংঙু নোংপোক নিংথৌনা থৌচালপিতুনা উনারে। চিংঙু নোংপোক নিংথৌনা চিংকোই মরি ফাঙপা চিংকোই নারল পাঙকলপাকি কোকতাকি ইসিং পেরে থোকপা লাইফম মসিং মুনা তাকপিথি। মুরুঙ মনুঙতা পুপিতুনা যেঙহললি। মাতুতা চিংঙু নোংপোক নিংথৌকি ফুরা লাইসঙ অপুমপা উচখি। মালেম তাইপঙপালপা অসিকুমপা অমাপু লৈরময়ে। মৎঙ অতুকি পোংতা মুঙকি লাই মশক মরোঙ নাইপা লাইরিক থাপা অমাপু লৈরমই। লাইরিক অতুতা নিংথৌ কাঙপানা লাৎলমপা হয়িচক কুমসিং লাখা ১৮৭ হাইনা লৈরমই মামহিনে হাইনা। অম্রমনা লৈপা উরপাতা নিংথৌ অসিনা চিংঙু নোংপোক নিংথৌকি থুয়াতা হঙচাপাতা চিংঙু নোংপোক নিংথৌনা হাইথি হে নিংথৌ নাপুথৌ নিংথৌ কাঙপানা লাৎলমপান। নোংপোক অরিপা অঙৌপা পুরৈরোমপা মা মহিরেল সরি হায়পা তাইপঙ সেমপিপা পোকপিপা মাহাকনে। মৈকি লিকুঙ মুঙমিৎ তেল পাইপা চিংঙু ঐকি ইসকনে। ঐমু মাহাকনে মাহাকমু ঐহাকনে মামিংতাপু থোলমুপানে। তাইপঙনা লাৎকতাপা মসকনে। তাইপঙ লালপিপা মাহাকনে। মতম অমাতা মাঙখিনি হাইনা নপুথৌনা

সুরুঙতা থমচিললমপানে। মতম অমাতা মিতৈনা লৌরতুনা লাৎলখিনি পারি পুরি হলচিললখিনি। ঐতি স্না মহিকি লাঙডোলনে। লাই মসক মাহাকপু লাৎচরপাতি সরি কৌপা লাই মাহাকপু মঙসঙ কঙলপানে।

অসুমনা তাকপিরপাতা নিংথৌ অসি চিংঙু মাহাকপু পুরুম থৌনি চরময়ে হাইতাপারা। অসুমনা নিংথৌ অসিকি হাকথকতা লঙমাইচিংকোই-রেল পুয়া ইখৎলময়ে। নিংথৌ অসি চহি চামা হুময়ু পাললময়ে। লমতাকি সিকতাপা হুমনি নৈপা ইরাই নুমিৎতা নোংকাথে। *। *।

মাচা ইপুঙো লালমিচানা মপাকি খুক্ম কঙচথি। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা নৈপাক অসিকি মমিংপু মুরাপালি নৈপাক হাইনা কৌরে। 'নিংথৌ অসি মুরা নিংথৌ লালমিচা লাঙকোল কৌপানা পাললি হাইপাকি মুরাপালি নৈপাক কৌপানে হাইতাপারা। মুরা নিংথৌ লালমিচানা মপাকি খুক্ম থাতোকতুনা তালোই য়েঙপা নৈতনা অরাঙ কৌপা চিংপুলসিপু কোইনা চৎতুনা লাইকম থিপিকপু কোইনা থিচিলথি। মুরাপাললি অতোনপা লালমিচা লাঙকোল কৌপানা কোইপা চিংনে হাইপাকি লাঙকোল হাইনা কৌথি। লালমিচানা লাঙকোলচিং অসিতা লমতাকি তাবানি পালপাতা যুমসকৈস নুমিৎতা সঙকাই যুমক্ম সেমতুনা সঙকাই সাতুনা নিংথৌ খুথম লেপথি। অমম নৈসারোক অঙাল নৈসারোক থিতুনা নৈপাক য়োকনা পাললি হাইতাপাবা। মাহাক অসিকি হাকথকতা মঙাঙ লাইনিং অহলপানা তাইপঙকি মপোকতা থোরকতুনা লাঙচিং চিংতোলতা লাইনিংতুনা লৈরমই। মঙাঙ লাইনিং অহলপাকি ময়াথঙতাকি লাঙকোল লাইকম চামানিপাল পিতুনা সাচিফু থাকি তরেৎনি পালপা নোংমাইচিং নুমিৎতা লাঙকোল চিংকোইরোল হাইপা পুয়া অসি ইপা হোরে। মুরাপালি লালমিচাকি হাকথকতা লাঙ-কোল চিংকোইরোল হাইপা পুয়া অসি থমথি। মতম অসি হয়িচককি মমৈ হয়াচককি অহৌপা মরক লঙতাইতা পালপা নিংপৌনে।

মতম অসিতা লাইনা থারমপা ফৌ কঙলে। ফৌ অতু ফংপা মফমতি

অকাম লৌপুক বৌযে। মাতুতাকি নিংথৌ অসি নোংথোংপম নোংকাঙ-প্যাকি মচা মামা অমুকাঙম্বানা পোকপি লইমা তনৌপি পাননাতুনা লমতাকি তরানি পালপাতা ফমপাল তোংলে হাইতাপারা। অম্ভমনা লালমিচানা লাইফম অসি থিতুনা তাইপঙসিংপু চংহলথি। কালেল হুমনি পালপা থাংচা হুমিৎতা মচা ইপুঙড়ো সোপাইপা পোকলে।

হয়াচক কুমশিং লথা ২৬ লিসিং ৩০৫৭ পাললকতানে। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা নৌনা তাপা তাইপঙ য়ুমনাক লালথম লাঙবোলচম লাঙলেম লাঙলেলপম লাঙকম লাইথুম অসি তাথিপনে। নিংথৌ অসি চহি ১১০৮ পান্থিরে। কালেলকি ১০৯ নি পালপা ইরাহ হুমিৎতা নোংকাথে। মচা ইপুঙড়ো সোপাইপানা মপাকি থৃফম ফঙচথি ॥ * ॥ * ॥

সোপাইপা নিংথৌ অসি নমকোইনা চংতুনা লম সেমই। মক্ষম অতু মানাই মসল চংতুনা লম অতু চিংসমনা বাঙনা খোলকংলি হাইপাকি বাঙচিং হাইনা খোলখি। লমতিংনা সেমই হাইপাকি লমতিঙ হাইনা খিং-খোলখি হাইতাপারা। নিংথৌ মাইহাকনা হদ সেমতুনা তাইপঙ হল তাহনখি মাহাকনা সেমপা থুননি হাইপাকি সাপম সেলাই খোলখি। য়ুমনাকস্ত সাপম হাইপা নৌনা য়ুম তাবে মলথাম য়ুম তাব মনৌচম য়ুম তাবে সাতাকপম য়ুম তাবে মনাম য়ুম তাবে মলাংথম য়ুম তাবে। অস্তম য়ুম-নাক মামিং অসি খোলখি। মলপাম য়ুম তাবে অস্তমনা তাইপঙ মসিং য়ামথংলকতুনা থুলসেম লইসেমই। নিংথৌ অসিনা তাইপঙ মিয়াম চংতুনা লোংপাক চিথ তইতাকি থোং অমা পুথাতুনা তুরেল অমা শেই। তুরেল মামিংতি নারিলরা কৌয়ে বাচিং তুরেলপুনে। অস্তমনা বাঙচিতা ম সঙকাই সাতুনা পাললাপারা ককরালথেম যাইরুদপানা পোকপা মাম, তনৌ চাঙপিনা পোকপি অচাউ নোংথাইনুপি পানাতুনা ফমপাতে লেংলে। নিংথৌ অসি সালালকি মবম কলনা থিচিলখি।

সানাই লালকাইরা নইপুঙ মহরর নৈলিলনোং কমসং তাসেঙবা

মাঙাঙ লাইনিংহলপাতা হঙচতুনা পুয়া ইথৎলমই। অমুমনা পালকলপাতা নিংথৌ অসি মচা পোকত্রপাতা মপুথৌ স্নামহিপু কলনা নিংচাম্রকপানা কুমচা তারানিথোই স্বরাপাতা করৌ নোংমাত্তি নিংথৌ অসিনা থোমলেন তুমকন তাললিঙইতা স্নামহিনা হাইপিরময়ে হে নিংথৌ সোপাইপা নঙনা নাপুথৌ ঐপু নিংচাপাতি নাচা পিনাপিকে। নোংপোক লৈহৌচিংতা চিংঙ নোংপোক নিংথৌকি লাঙলেন সিতাপা লাইকমতা চিংঙ হামুলতাকি লাইচ পোরকপা অত পুরকা নিংথৌ নঙকি তাললোইতা পিথকউ। মাতুতা ঙাকি নিংথৌ সবেঙ মাঙমানা চঙতুনা নমু তাইপঙকি মপোকতা নঙকি নাচা ওইনা মমিংনা পুথিপা কৌনা পোকহলকে হাইনা থোমলেন মঙকাউনরপাতা নিংথৌ মিকপ থোকলাপাতা ইঙ্গুং লোয়া তৈরপাতা নিংথৌ সোপাইপতি নোংপোক লৈহৌচিংতা চৎলে হাইতাপারা।

অমুমনা নোংপোক লৈহৌচিংতাকি লাইচ অরপাপ লৌতুনা পুরক-লকা মসানৌতা পিথকলপাতা তাউচিং মকু হলখিয়ে হাইতাপারা। অতুম তাউচিং মকু হলখিপা অতুনা লোইতাম মসিং স্বরাপাতা মচা ইপুঙো পুথিপা পোকলে। অমুমনা মচা ইপুঙো পোকতুনা চহী চামা পালম-লকা সোপাইপা নিংথৌ রাকচিং থাকি নুলহুমাতোইনি পালপা ইবাই মুমিৎতা নোংকাথে। মতুঙতা মচা ইপুঙো পুথিপানা মপাকি খুথম ফঙচখি ॥ * ॥ * ॥

পুথিপা হাইপা নিংথৌ অসি মাহাকনা মিরোল তারকপাতাকি হৌনা লৌ ইংথোল মপাকি রাখল 'অসিতা থলতুনা লৈ। মাহাক অসি মালেম অসি কোইনা চৎতুনা লৈপাক মকম অকাপা কোইনা থিয়ে। মাহাক অসিকি রাখলতা নিংথৌ ঐকি হাকথক অসিতা লৌ ইংথোল মপা অসি হৌথোককে অতুকা লৈপাক অসি অহোং অচাউহলকে হাইপাকি রালম-তাকি কোইনা চৎলকপতা মকম অমা খেন্নোতুনা মকম অতুপু নিংথৌ অসিনা মথরাইনা পামলতুনা নিংথৌ অসি মকম অতুতা খুকম লেপলে হাইতাপারা।

নিংথৌ অসি মক্ষম অতুতা স্না সঙবাই সাতুনা নিংথৌ পাললপাতা লাংকেম চন্থ অতাউ হৈরোংপানা পোকপা মামা লাইতোংহনপিনা পোকপা থারোলনি য়ুমলৈমা পান্নাতুনা ক্ষমপাল তোংলে। নিংথৌ অসি মচা নিপা পোকতে মমোম লাঙলেল অনি পোকয়ে। অহলপি মমোমনা সোপোল নাইরেমপি কৌয়ে মানাউনা স্না থোংনাংলৈমা কৌয়ে। অস্নমনা লৈরকল-পাতা নিংথৌ অসিনা লাইনা ফৌতি থারমপা চার অসিনা লৌ উরকা তাইপঙ চানানাপা হৌতোকক্কে অহোং অচাউহলকে হাইপাকি অকাম লৌ-পুনতাকি মোরসি লাইকৌ লৌকতুনা মামোম অনিপু থারৈ লৌম্নালহনলি। পলথৌ মপা পুথিপানা চেকলই রাইমু তাইথুপা অমুপা সনরাই ঙাঙপা অরাঙপানে অনিনা খুলক্ষম মক্ষম অতুতা চেকলই পোৎপু পালতুনা রাইমু মচিল মালপা লাঙকোলনা মালেম লইতা লৌতারে হাইতাপারা। অস্নমনা কৌউ হৌতেবতুনা ফৌ থাতুনা পাললে। অস্নমনা মোরসি লাইকৌ অসি লোবতুনা ক্ষুঙসাতা ফৌবা। চাপাতা হাউই হাইপাতাকি ফৌ কৌথি। অস্নমনা নিংথৌ মাহাকনা লৈপাকপু অহে! অচাউহলথি হাইপাকি মক্ষম অতুপু খুরাই অহোংবৈ হাইনা কৌথি। অস্নমনা পাল্লকপাতা নিংথৌ অসি সিবমতাহ লাই ওইনা থুপলমতাইতা মচা অমা পোকয়ে লমন্নাই ঙাক্ষপা কৌয়ে। নিংথৌ অসি চহি চামা পানলমহকা লাই ওইনা থুপখে ॥*॥*॥

চঙ সনি হাইনা কোললমবে। হয়ি হয়া হয়ুম। পুয়া অসি মইতিংঙু হুয়োহ তোমপোবকি হাকথবতা কালেলবি হমনি পালপা সকোলসেল ক্ষমিৎতা পোড়ডাক ক্রমপা মাইচৌনা হপানে। মিরাইমানা উক্ষতে নাকোং অহম হক্ষাত নোংথাং রুপপানে চেখলা হে মি অক্ষপা ও তাঙপানে অসি থঙনো তৌচৌঙ ববয়াহতা ক্ষু ববমুয়াইতা ববরাতা লৈপানে।*।

# নিংথৌ কাংপারোল সিংকক

# নিংথৌ কাঙপারোল সিংকক।

চঁ লময়াই ঙমপা নিংথৌ অসিনা মোইচম অহোঙকি মচা মামা পোঙলৈমনা পোকপি কুথাপনু পালনাতুনা নিংথৌ ওই মকমতি কঙলাতানে। নিংথৌ অসিকি হাকথকতা লহালপুঙ নোংমৈপুঙপু পুথোকলময়ে। নিংথৌ অসি চহি ১০০[১০] পানলে মচা ইপুঙশো অনি পোকলমলকা থুপখি। মচা ইপুঙশো স্না খিং খিং ডাঙপানা নিংথৌ ওই লৈম তরেৎ পানই শাপালৈমা স্না লৈমা লাঙচেঙ ঙমপি মুঙ্গেলনু চিংচোইপি তোংখাঙনু পেন্নু লাইবপি। স্না ঙাঙচেঙস্ন কৌপা মনাও অসিতা লৈপাক অসি তঙথাই অমা পিতুনা পালমিননৈ হাইতাপারা। নিংথৌ অসি মচা পোকত্রাপাতাকি স্না মিপু চহি ১২[১১] লাইনিংপাতাকি মচা স্না মনিক পোকখি। নিংথৌ অসি চহি চাম ১০০[১২] পালখি। মাহাক অসিকি হাকথকতা চিংঙু নোংপোক নিংথৌনা মচা স্না মনিকতা মিথৈ ময়েক তমপিতুনা কৌতোকখি হাইতপারা। মাপা লৈত্রপাতা স্না মনিকনা নিংথৌ ওইরে। স্না মনিকনা লাঙবোলচম স্না হেলপি পালনাতুনা তেলথা হাইপা তিংকোইঙমপা মচা অনি পোকয়ে। তেলথা হাইপানা সাপম থাপ লোকপি পানি সোইনাইতে।

ময়ামপা ভালথোকতুনা তিংকোই ঙমপানা নিংথৌ ওই মোবাম লৈম পাননৈ। মচা ৮[১৩] পোকয়ে। মাইকৈ ৮[১৪] তা খুল তাখি। মতাঙ অসিতা কুমচা ৮[১৫] নিংথৌ পানত্রপাতা থুমিংতাকি বুমলকতুনা লৈহুঙ লোলচা অরিপানা নিংথৌ ওই। তাঙচ লিলানা নিংথৌ ওই। তাঙ্চ লিলানা বুপত্রেঙ সেনত্রেঙ পোকয়ে। সেনত্রেং নিংথৌ ওই। থারৈতেলহইপা পোকয়ে। থারৈ তেলহইপানা চেংলৈম পাননাতুনা মচা ৯[১৬] পোকয়ে। চেকয়ৈ য়াইমনা নিংথৌ ওই। চেকয়ৈ য়াইমনা তিংকোই মোইরা পাননাতুনা লাহাঙমপা পোকয়ে। লাহাঙমপানা থাঙহি ডাঙোইতা নিংথৌ ওই। মাসিতা খুমুঙচক

হৌরে। চক অসিগি কুমসি তি ৩৯১- ৫১, নে। মাওংদু অসি নৈপাক অসি ঈসিং চাউতুনা কুমচাতাবেং* নিংথৌ পালতে। মাতুত চিংডু নোংপোক নিংগৌনা ঈসিং চিংগাতুনা কুমিংকি অদলাংতাকি কুমচনপা নাকা লাইবেল পাথৌপানা লাইশ্না পানবতুনা অহিং মি ওই নুংথিল লাই ওইনা কওলা নোংলৈ যাওতা নিংথৌ ওই।*।*। ইথা ৩থুম।

---

* কুমচাতাবেং হায়বা অসি অদি থোক কৌই মাই।

কুম + চাতাবেং = ১০০

কুমচা + তাবেং = ১


মরম অদুনা ঈসিং চাওবা মতম অসি চহী ১ নত্রগা চহী ১০০ ওইবা য়াবনা কুপনা নৈনবী।

[illegible]

[illegible]


[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

১ দগী ১০ কাওবা অঙ্ক লেখক

১ = P
২ = r
৩ = h
৪ = ⋈
৫ = W
৬ = ꟼ
৭ = [table-shaped sign]
৮ = [box-shaped sign]
৯ = ℨ
১০ = P0

৮ = ১১০ = P00P0

১০, ১২ } = ১০০ = P00

৯ = ১০ = P0
১১ = ১২ = Pr

১৩, ১৪ } = ৮ = [box-shaped sign]

১৫ = ৩ = h

১, ৩, ৫ } = ১৮ = P[box-shaped sign]

২, ৬, ১৬ } = ৯ = ℨ

৪ = ৪৬০ = ⋈ꟼ0
৭ = ৩০৫ = h0W
১৭ = ৮৬৪০০০ = [box-shaped sign]ꟼ⋈000